# অৱাং–নোংপোক্তা লালহৌবগী ৱাথোকশিং ৱারোইশিন পুরকখ্রে, শান্তিগী থাজবা পীখ্রে ঃ মোদি



**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ০৪(এজেন্সি)ঃ** লৈবাক অসিগী অৱাং–নোংপোক্তা লৈরম্বা লালহৌবগী ৱাথোকশিং লোয়শিন্নবা ইতিহাসিক ওইরবা এগ্রীমেন্টশিং অমসুং শান্তিগী থাজবা পীখিবা অদুগী মতাংদা মীয়ামগা উন্নদুনা খঙহন্নবা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বি জে পিগী পার্লিয়ামেন্টরি পার্টি মেম্বরশিংদা আপিল তৌখ্রে।

ঙসি অয়ুক বি জে পি এম পিশিংদা ৱা ঙাংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা ব্রু রিফ্যুজিশিং খুন্দা–লৈতাহন্নবগী অমসুং বোরো পিছ এক্কোর্দকী ইতিহাসিক ওইরবা এগ্রীমেন্টশিং অদু মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহন্নবা হোৎনদ্রি অমসুং মদু খ্বাইদগী মমাঙদা পুথোকপা মথৌ তাই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখোয়দা খঙহনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, খ্বাইদগী মাঙজিন থাবা মরুওইবা অমা ওইনা লৌদুনা অৱাং–নোংপোক লমদমদা হৌরিবা লালহৌ পূন্নমক মতম পূন্নমক্কী ওইবা ৱারোইশিন অমা ফংনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হেক ঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখিবগুম্বা গভর্ণমেন্ট অসিনা লৌখৎখিবা ইতিহাসিক ওইবা খোঙথাংশিং অদুনা পাউজেল অমা মালেমদা পীখ্রে।

নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা শান্তি থন্নবা অকনবা থবক চখ্থরক্লি। মমাঙদসু বি জে পিনা উলফা অমসুং নাগা এক্সট্রিমিষ্টশিং লৈবাক মীয়ামগী পুন্সিরেনদা হল্লকুবা আপিল তৌখ্রে। মসিনা লমদম অসিগী ওইনা লৈবাক অসিগুমদমক হেন্না ফবা ৱাখল অমা শোয়দনমক পোকহল্লগনি। মসিগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেলগী ওইনসু গভর্ণমেন্ট অসিনা রিজন অসিদা শান্তি থন্নবা হোৎনরক্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎ অদু লাক্লিন্নবা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিং, মসি শন্দোকপা লাক্লিনবা গভর্ণমেন্টনা করন্না থৌরাং তৌখি অমসুং চিনাদগী ইন্দিয়ান নেসনেলশিংবু করন্না পুরকখিবগে হায়বনচিংবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্‌থ মিনিষ্টর ডা. হর্শ বর্ধন অমসুং এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্কর প্রাশদনা এম পিশিংদা পাউদমখি।

হিরমশিং অসিদ নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পার্টিগী মেম্বরশিংদা মখোয় দিল্লি এসেমব্লি মীখলগী কেম্পেনগীদমক শরুক য়াহল্লকপা য়াই, মখোয় পার্লিয়ামেন্টরি প্রোসিদিংশিংদা হৌজিকসু শরুক য়াগদবা ৱাৎলি হায়রদুনা হেন্না ইচং থৌনবা খঙহনখি।

মহাক্কী পার্টি এম পিশিংদা বজেটকী মতাংদা ওপোজিসননা চৈরকপা ঙাকথোক্লবা অমসুং মদু মীয়ামগী য়াইফনবা বজেট অমনি হায়দুনা মীয়ামদা খঙহন্নবসু প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি হায়রি।

গুজরাত রাইওৎস –২০০২ ঃ

# নরেন্দ্র মোদিগী মরান ফংদে হায়বা এস আই টিগী মায়োক্তা জাকিয়া জাফ্রিগী ৱাকৎকী হিয়ারিং এপ্রিল ১৪দা সুপ্রিম কোর্টনা লেপখ্রে



**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ০৪(এজেন্সি)ঃ** গুজরাততা ২০০২দা হাৎখিবা মীওই ৬৮গী মনুংদা য়াওখিবা এহশান জাফ্রিগী লোয়নবী নুপী জাকিয়া জাফ্রিনা মতমদুদা গুজরাত চীফ মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মরান ফংদে হায়বা এস আই টিগী ৱাফম অদু শীংনরকখিবা ৱাকৎ অমগী হিয়ারিং এপ্রিল ১৪দা চখনবা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টনা মতম লেপখ্রে।

লৈখিদ্রবা এম পি এহশান জাফ্রিগী লোনবী নুপী জাকিয়া জাফ্রিগী উকিলনা ৱাকৎ অসি ফেব্রুৱারি ২৭, ২০২দগী মে ২০০২ ফাওবগী অচৌবা কনস্পিরেসি অমগা মরি লৈনবা মরন্না নোটিস অমা ইসু তৌবা মথৌ তাই হায়না লৈবাকক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিদা মমাঙদা হায়জরকখিবনি।

সবরমতি এক্সপ্রেস ট্রেনগী এস–৬ কোচ অদু গোধ্রাদা মৈ থাদুনা মীওই ৫৯ হাৎখিবা অমসুং গুজরাততা হাৎন–শুনবগী ঈরাং থোকহনখিবা অদুগী নোংমগী মতুং ফেব্রুৱারি ২৮, ২০০২দা গুলবর্গ সোসাইটিদা হাৎখিবা মীওই ৬৮গী মনুংদা এহশান জাফ্রিসু য়াওখিবনি।

ৱায়েন চখনবগী ইভিদেন্স লৈতে হায়রদুনা নরেন্দ্র মোদি অমসুং সেনিয়ার গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েলশিং য়াওনা অতৈ মীওই ৬৩দা মরান লৈত্রে হায়দুনা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম অদুনা ফেব্রুৱারি ৮, ২০১২তা লোইশিনবগী রিপোর্ট অমা লানখৎখি।

স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)গী ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা থাঙ্গৎখিবা জাকিয়া জাফ্রিগী ৱাকৎ অদু ককথৎলদুনা পীখিবা গুজরাত হায় কোর্টকী ওক্টোবর ৫, ২০১৭গী ওর্দর অদু শীংনরদুনা ২০১৮দা মহাক্না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখি।

ট্রায়েল জজ অমগী মমাঙদা (এস আই টি)না মসিগী ক্লোজর রিপোর্টতা মরান ফংদে হায়খিবা অদুগী মতুংদা পেটিস্নর অসিনা থাঙ্গৎখিবা প্রোটেষ্ট অমা মরম চাবা মেরিটশিং খন্নদনা মেজিস্ট্রেট অমদুনা ককথৎখিবনি হায়নসু মহাক্কী ৱাকৎ অদুনা হায়খি।

মেঘনিনগর পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টার তৌখিবা গুলবর্গ কেস অদুদগী তোঙানবা পেটিস্নরগী ৱাকৎ অদু হায় কোর্টনা নিংথিজনা য়েংশিনখিদে হায়নসু ৱাকৎ অদুনা হায়খি। অদুম ওইনমক হায় কোর্টনা জাকিয়া জাফ্রিগী পেটিসন অদু মখাতাবা ইনভেষ্টিগেসন চখনবগী দিমান্দ অদুগী ওইনা মচেৎ ওইনা অয়াবা পীখি।

মেজিষ্ট্রেটকী কোর্ট অদু, ইনভেষ্টিগেসন অদু মখা চখহন্নবগীদমক হায় কোর্ট অদু নৎত্রগা সুপ্রিম কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চ অমা য়াওনা এপ্রোপ্রিয়েট ফোরম অমদা পেটিসনর অদুনা চৎপা য়াই হায়না হায় কোর্ট অদুনা হায়খি।

# এন আর সিগী অকিবদগী ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মীওই ৩০ হেন্না শিখ্রে, বি জে পিনা ইনশিনবদগী প্রোটেষ্টশিংদা নোংমৈ কাপখিবনি ঃ মমতা



**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ০৪(এজেন্সি)ঃ** লৈবাক শিনবথুংনা চখ্থগনি হায়রিবা এন আর সি (নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স) অদুগী অকিবদগী মরন্না ষ্টেট অসিদা মীওই ৩০ হেন্না শিখ্রে হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্টরদা চৈরদুনা এন আর সি, এন পি আর অমসুং সি এ এ অসি ব্লেক মেজিকশিংগা মান্নে হায়না মমতা বেনর্জিনা হায়খি।

ঐগী ইমাগী পোকপগী সারটিফিকেট ঐগীদা লৈতে হায়বা মরমগীদমক নখোয় (বি জে পি)না ঐবু লৈবাক অসিদগী তাম্থোক্কদ্রা হায়না মমতা বেনর্জিনা হংখি।

সি এ এগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিংবু এন্টি–নেসনেলশিংনি হায়বগীদমক বি জে পি লুচিংবশিংবু মহাক্নগা থীনা চৈখি অমসুং হন্দক জমিয়া মিলিয়া য়ুনিভর্সিটিগী মপানদা অমসুং দিল্লিগী শাহিন বাঘতা নোংমৈশিং কাপখিবা অদু শান্তি ওইবা খোংজংলোইশিংবু অকি তুজুং পোকহন্নবা হোৎনবনি হায়খি।

মীখলগী মতম খক্তদা য়ুমশঙবা চৌকিদার অমনি হায়না মশামকপু হায়জখিবা প্রাইম মিনিষ্টরগুম তৌদনা মহাক্তি চহীচুপ্পা মীয়ামগীদমক খন্দুনা চেকশিন্না থবক তৌই অমসুং মীয়ামগী মায়োক্লরিবা ৱাথোকশিংদা শরুক য়াই হায়না বেনর্জিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা চৈখি।

শাহিন বাঘ অমসুং জামিয়া মিলিয়াগী মপানদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং থোকখিবা অদু বি জে পি লুচিংবশিংনা ইনশিনবদগীনি। থৌদোকশিং অদু মীয়ামবু অকি–তুজুং পোকহন্নবনি হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোর্থ ২৪ পরগনাজগী বোনগাওদা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা মমতা বেনর্জিনা হায়খি।

ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী অশুপ্পী লুচিংপুরেলসু ওইরিবী চীফ মিনিষ্টর বেনর্জিনা শাহিন বাঘ প্রোটেষ্টরশিংদা মহাক্কী শৌগৎপা ফোঙদোক্লদুনা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা পার্টি খরনা মীয়ামদা লান্না খলহন্নবা হোৎনৈ হায়খি।

সি এ এনা নখোয়দা সি টিজেনসিপ পীরোই, এক্ট অসিনা নখোয়বু ফোরেনর ওন্থোকহনখিগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বি জে পিদা শাথিবা মীচৈ অমা চৈরদুনা পার্টি অসি মুহম্মদ–বিন–তুঘলককী মশানি, মসিদগী লৈবাক অসিবু কন্নবা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লেপকদবনি হায়না মমতা বেনর্জিনা হায়খি।

# পরভেস মুসারফকী শিবগী চৈরাক সস্পেনসন শীংনরকপা ৱাকৎ পাক সুপ্রিম কোর্টনা তারগনি



**ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱরি ০৪(এজেন্সি)ঃ** মশা মতোমতা লোই থাজদুনা লৈরিবা পাকিস্থানগী হান্নগী দিক্টেটর জেনরেল (রিটায়ার) পরভেস মুসারফকী শিবগী চৈরাক অদু চৎনহন্দনবগী হায় কোর্ট অমগী ৱায়েল অদু চৎনহন্দনবা লৈবাকসিগী সুপ্রিম কোর্টতা পাকিস্থাননি লোয়র অমনা শীংনরকখ্রে।

হৌজিক দুবাইদা মশানা মশাবু লোই থাজদুনা লৈরিবা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা পাকিস্থানগী হান্নগী আর্মি চীফ অদু মহাক্কী মথক্তা থাঙ্গৎপা হায়–প্রোফাইল ট্রিজন কেস অমা চহী ৬ হিয়ারিং চখ্থরবা তুংদা ইস্লামবাদতা লৈবা স্পিসিয়েল কোর্ট অমনা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৭তা শিবগী চৈরাক অদু পীখিবনি।

হান্নগী আর্মি চীফ অসিনা নবেম্বর ২০০৭দা এক্সট্রা–কনষ্টিট্যুসনেল ইমর্জেন্সি অমা লৈবাক অসিদা থমজিন্দুনা সুপরিয়র কোর্ট জজ কয়ামরুমবু মখোয়গী য়ুমশিংদা ফাজিন্দুনা থমখিবা অমসুং জজ ১০০ হেন্না মফম লৌথোকখিবা অদুগী মতাংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সারিফনা লুচিংবা পাকিস্থান মুস্লিম লিগ–নৱাজ (পি এম এল–এন) গভর্ণমন্টেনা ২০১৩দা ট্রিজন কেস অমা থাঙ্গৎখি।

অদুবু লাহোর হায় কোর্টনা ট্রিজন কেস অদুদা পরভেস মুসারফকী ৱায়েল অদু অনকনষ্টিট্যুসনেলনি হায়না জনুৱারি ১৬তা লাওথোকখি। মদুনা মরম ওইদুনা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগী মথক্তা পীখিবা শিবগী চৈরাক অদু চৎনহনখিদে।

মুসারফপু ৱায়েনখিবা স্পিসিয়েল কোর্ট শেম্বা অদু অনকনষ্টিট্যুসনেলনি অমসুং মহাক্কী মায়োক্তা থাঙ্গৎলিবা ট্রিজন কেস অদু লোগী মতুং ইন্না থৌরাং তৌদে হায়না লাহোর হায় কোর্টনা লাওথোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা থাঙ্গৎলকখিবা পার্টি অমদা সেনিয়ার কাউন্সেল হামিদ খাননা পেটিসনর এদভোকেট টাউফিক অসিফকী মহুৎ শিল্লদুনা লাহোর হায় কোর্টকী ৱায়েল অদু ইলিগেলনি অমসুং লোফুল ওথোরিটি য়াওদে লাওথোক্তুনা চৎনহন্দনবা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জখ্রে হায়না পাকিস্থানগী ইংলিষ্টতা ফোঙবা নুংতিগী পাউ–চে দোননা হায়খি।

হায় কোর্ট অদুনা মসিগী ওর্দরদা স্পিসিয়েল কোর্ট শেমখিবা অদু ক্রিমিনেল লো এমেন্দমেন্ট (স্পিসিয়েল কোর্ট) এক্ট ১৯৭৬ থুগাইবনি লাওথোকখি অমসুং ১৮শুবা এন্দেমেন্টকী মখাদা য়াওরিবা হায় ট্রিজনগী প্রোভিজনশিং অদু মদুগী য়ান্নগী মমাঙদা তৌখিবা ওফেন্স অমগী মতাংদা শিজিন্ননবা লৌখৎপা য়ারোই হায়খি।

স্পিসিয়েল কোর্ট অদুনা মশা য়াওদনা ৱায়েন চখ্থিবা অদুসু ইলিগেলনি হায়না হায় কোর্ট অদুনা হায়খি।

অদুবু হায় কোর্টকী ৱায়েল অসি শীংনরকখিবা সেনিয়ার কাউন্সেল অদুনা সুপ্রিম কোর্টকী মমাঙদা মরুওইনা এপ্রিল ১, ২০১৯দা মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা হান্নদা তাখ্রবা ওর্দর অমা চৎনরিঙৈ মতমদা মান্নবা হিরম অমা ৱায়েনদনা লৈরিঙৈদা পরভেস মুসারফকী পেটিসন অদুবু হায় কোর্টনা য়াখিবা অদুদা ৱাহং হংখি।

হায় কোর্টনা অসিগুম্বা পেটিসন অমা য়াথোকখিবা অদু কোর্টশিংগী কনষ্টিট্যুসনেলগী চৎনরকখিবশিং অদু থুগাইবনি হায়না মহাক্না মরৈ য়েংখি।

রেকোর্দতা মসি তশেংনা লৈরে মদুদি পরভেস মুসারফ হান্ননা এবস্কোন্দর অমা ওইনা লাওথোকখ্রে অমসুং মরম অদুনা লোগী মখাদা স্পিসিয়েল কোর্টতা মহাক্কী মথক্তা চখ্থিবা ৱায়েল অদুবু ষ্টে তৌহন্নবগী মহাক্কী হক লৈতে। স্পিসিয়েল কোর্টনা ৱায়েন অদু লাওথোকখিবগী মায়োক্তা মহাক্কী হক লৈতে হায়না পেটিসন অদুনা মহাক্কী ৱায়েৎ থমখি।

মরম অদুনা হায় কোর্ট অদুগী মমাঙদা চখ্থিবা প্রোসিদিংশিং পূন্নমক অদু লো অমসুং কনষ্টিট্যুসনগী ওন্ন–তৈনবা ঙাক্তনি হায়না পেটিসন অদুনা হায়খি।

লাহোর হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসনগী কেসকী রাই পীরদুনা সুপ্রিম কোর্টনা পরভেস মুসারফকী ৱায়েন অদু মখা চখনবা স্পিসিয়েল ত্রিবুনেলদা দিরেক্তিবশিং পীখিবা এপ্রিল ১, ২০০৯গী ভরদিক অদুগী মথক্তা হায় কোর্টনা থবক চখ্থবা ঙমদে হায়নসু পেটিসন অদুনা মখা তাখি।

১৯৯৯দগী ২০০৮ ফাওবা পাকিস্থানগী লৈঙাক পায়খিবা পরভেস মুসারফনা কনষ্টিট্যুসনবু থুগাইবগীদমক কনভিক্সন পীখিবদা অহানবা মিলিটরি রুলরনি। অদুবু কনষ্টিট্যুসন থুগাইবসি মহাক্না অহানবা জেনরেল নৎতে। মহাক্কী মমাঙদা জেনরেল অয়ুব খান, জেনরেল য়াহিয়া খান অমসুং জেনরেল জিয়া–উল–হক হায়রিবা পাকিস্থান আর্মি চীফ ৩ অদুসু কনষ্টিট্যুসনবু থুগাইখি, অদুবু মখোয় কৈদৌঙৈদা কোর্টতা কেস অমত্তা মায়োক্লখিদে।

মশা লায়েংনবগী মিংদা মার্চ ২০১৬দগী পাকিস্থানদগী চৎখ্রগা দুবাইদা লৈরকখিবা হান্নগী মিলিটরি লৈঙাকপা অদুনা সিক্যুরিটিগী অমসুং হকশেলগী মরমশিং পল্লদুনা পাকিস্থানদা অমুক হন্না হল্লকখিদ্রে।

লোদা সেরেন্দর তৌদনা আপিল অমা মহাক্না থাঙ্গৎলকপা য়ারোই হায়রদুনা সুপ্রিম কোর্টনা জনুৱারি ১৮দা, স্পিসিয়েল ট্রিবুনেল অদুনা মহাকপু কনভিক্সন অমসুং চৈরাক পীখিবা অদুগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা পেটিসন অমা অমুক হন্দোকখ্রে।

# চিনা কোরোনাভাইরস হোস্পিটাল নুমিৎ ১০নিদা হাংদোকখ্রে



**বৈজিং, ফেব্রুৱরি ০৪(এজেন্সি)ঃ** তমথিরবা কোরোনা ভাইরস লাইচৎ শন্দোকফমগী মতাইদা চয়োল ২গী মতম চঙদনা খুদক্তা থৌরাং তৌদুনা শাখিবা ফমুং ১০০০গী চাইনিজ ফিল্ড হোস্পিটাল অদু হাংদোকখ্রে অমসুং ঙসি কোরোনাভাইরস অনাবশিং থুংলবা হৌখ্রে।

লৈবাক পুম্বদা সোসিয়েল মেদিয়াদা ৱা–ৱা লাওনখিবা পুং ২৪ চুপ্পা সুপলেপ লেপ্তুনা শাগৎখিবা হোস্পিটাল অদু মিলিটরিনা চল্লাইরি অমসুং অনাবা ৫০ থুংলখ্রে।

চিনাগী ৱুহান সিটিদা নুমিৎ ১০নি ফাওবা চঙদনা শাখিবা অনৌবা হোস্পিটাল অদু ফমুং ১০০০ লৈ অমসুং মেদিকেল ষ্টাফ ১৪৪০রোমনা অনাবশিং য়েংশিনগনি। মসি নত্তবা ফমুং ১৬০০ লৈবা অতোপ্পা হোস্পিটাল অমসু থুনমক হাংদোক্লগনি।

ৱুহানদা হোস্পিটালশিংদা ফমুং অৱাৎপগী পাউশিং থোক্লকখিবদগী চাইনিজ লোনদা হৌসেনসান–ফয়ার গোদ মাউন্টেন হায়না মফম অদুদা ইরাই নুমিৎ জনুৱারি ২৪দগী হোস্পিটাল অদু শাবা হৌখি।

মসিগা হেক থংনবা অতোপ্পা মফম লৈসেনসান –থন্দর গোদ মাউন্টেন হায়বদুদা ফমুং ১৬০০ লৈবা অতোপ্পা হোস্পিটাল অমসু শাগৎলি। মদুদসু শগোলশেল নুমিৎতগী অনাবশিং লৌশিনবা হৌরগনি।

চিনাদা ফয়ার অমসুং থন্দর হায়বসি অনাবগী ময়োক্তা মহৌশাগী ওইনা লোয়নরকই।

# কেনিয়া প্রাইমারি স্কুলদা নেৎশিন্নবদা অঙাং ১৩ শিখ্রে

**নাইরোবি, ফেব্রুৱরি ০৪(এজেন্সি)ঃ** কেনিয়াগী নোংচুপ থংবা টাউন কাকামেগাদা লৈবা প্রাইমারি স্কুল অমদগী মহৈরোই অঙাংশিংনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোক্লরকপদা নেৎশিন্নবদগী য়ামদ্রবদা অঙাং ১৩ শিখ্রে অমসুং অতৈ ময়াম অমা শোকখ্রে হায়না মফমদুগী পুলিসনা ফোঙদোখ্রে।

মহৈরোই ময়াম অদুনা মীপাই থবাইনখিবা অমসুং নুংথিল পুং ৫ রোম তাবদা নেৎখায়নরকখিবা অদু করিদগী থোকখিবনো হায়বদু পুলিসনা থিজিনবা হৌখ্রে।

নেৎশিন্নবা অদুদা ঐখোয়গী অঙাং ১৩ মাঙজরে অমসুং শোকপদগী অতৈ অঙাং কয়া হোস্পিটালদা লৈরি হায়না কাকামেগাগী পুলিস চীফ দেবিদ কাবেনানা মফম অদুদা পাউমীশিংদা হায়খি।

মীয়াম নেৎখায়নবা অদুদা হিংহৌবশিংনা ফোঙদোকখিবদা মখোয়গী ওজাশিংনা মখোয়বু তমথিনা ফুবদগী মখোয় চেল্লকখিবনি। মদুদা মখোয় অমগা–অমগা লৌশিন্নদুনা ননশিন্নখি হায়না মফম অদুগী মেদিয়াগা উন্নবা অমদা মমা অমনা হায়খি।

অঙাংশিং অদু অয়াম্বনা চহী ১০ অমসুং ১২গী মরক্তা লৈবা গ্রেদ ৫তা তম্বশিংনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা কাকামেগা প্রাইমারি স্কুল অদুনা খুদক্তা করিগুম্বা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরি।

শোক্লম্বা য়াবা মহৈরোইশিং থিবদা মরি–মতাশিংদা মতেং পীনবা ট্রেসিং দেস্ক অমা লোয়ননা সাইকোলোজিক সপ্পোর্ট সার্ভিসেস অমা লিংখৎলে হায়না ত্বিটরদা কেনিয়া রেদ ক্রোসনা হায়খি। মফমদুগী হোস্পিটাল অমদা মহৈরোই ৩৯ লায়েংখ্রে হায়না রেদ ক্রোস অদুনা হায়রি।

সেন্ট জোন্স এম্বুলেন্সনা থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মহৈরোই ১৪ শিখ্রে অমসুং ইনটেন্সিব কিয়ার য়ুনিটতা লৈখিবা অনী য়াওনা অঙাং ৫০ হেন্না শোকখ্রে হায়খি।

# গ্লোবেল ইমর্জেন্সি ওইনা শন্দোক্লকখ্রবা কোরোনাভাইরতা চিনাদা শিখিবা ৪২৫ য়ৌখ্রে

**বৈজিং, ফেব্রুৱরি ০৪(এজেন্সি)ঃ** চিনাগী হুবৈ প্রোভিন্সতা ওথোরিটিজনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কোরোনাভাইরস লাইচৎতা অনৌবা মীওই ৬৪ অমগসু শিরে হায়খ্রবগী মতুংদা লাইচৎ অসি শন্দোক্লকখিবদগী চিনানা পুন্না শিখিবা মীগী মশীং ৪২৫ য়ৌখ্রে।

ভাইরস অসিনা খ্বাইদগী হেন্না কন্না শোকহনখিবা হুবৈদা হেল্‌থ কমিসননা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা অনৌবা লেপ্পা মী শিবগী অমসুং নাবগী মশীং খঙহেন–খঙহেন হেনগৎলকপা উৎলি। অনৌবা মীওই ২৩৪৫ লাইচৎ অসিনা নারে হায়না চপ চানা খঙবা ঙমখ্রে। মসি থারগা হৌজিক লাইচৎ অসিনা নাবা মীওই মশীং পূন্না ১৯৫৫০ শুরে।

কোরোনাভাইরস কাঙবুগী মনুংদগী মমাঙদা খঙখিদ্রবা অনৌবা ভাইরস অসি হৌজিক গ্লোবেল হেল্‌থ ইমর্জেন্সি অমা ওইনা শন্দোক্লকখ্রে।

লাইচৎ অসি হুবৈ প্রোভিন্সকী কোনুং ৱুহানদা শা য়োনবা চিঙ্গাক কৈথেল অমদগী মমাঙ চহী ২০১৯গী দিসেম্বরদগী অহানবা থোক্লকখিবনি থাজরি।

লাইচৎ অসিনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক ২০ হেনবদা নাবগী পাউশিং লৈরে। লাইচৎ অসি লাক্লিন্নবা কন্না হোৎনরকখিবগা চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা য়ান্না থুনমক সর্জিকেল মাস্কশিং, প্রোটেক্টিব সুটশিং অমসুং সেফটি গোগ্গলশিং মথৌ তারে হায়খ্রে।

# জোন্সন এন্দ জোন্সনদগী অশোয়বা হিপ ইমপ্লান্ট মতাংদা অনাবা ১৭১ কম্পেন্সেসন ফংখ্রে



**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱরি ০৪(এজেন্সি)ঃ** জোন্সন এন্দ জোন্সনদগী অশোয়বা হিপ রিপ্রেসমেন্টশিংগীদমক হৌজিক ফাওবদা অনাবা ১৭১ লোম কম্পেন্সেসন ফংখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌থ এফিয়ারসনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা পাউদমখ্রে।

রাজ্য সভাদা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেল্‌থ এফিয়ারস অশ্বিনি কুমার চৌবেনা হায়খি, হৌখিবা চহীগী মে ৩০দা হায় কোর্ট ওফ দিল্লিনা ভেরিফাইদ তৌরবা ক্লেমেন্ট খুদিংমক্তা পেটিসনর অদুনা লুপা লাক্ষ ২৫ পীহন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

কোর্ট ওর্দর অদুগী য়ুমফমদা মদু থবক ওইনা পাংথোক্লবগীদমক এম/এস জোন্সন এন্দ জোন্সনদা শৌগৎপা দোকুমেন্টশিংগা লোয়ননা ভেরিফাইদ ক্লেমেন্টশিংগী লিষ্ট অমা পীখ্রে। রোকোর্দসকী মতুং ইন্না অনাবা ১৭১না কম্পেন্সেসন ফংখ্রে হায়না চৌবেনা হায়খি।

গভর্ণমেন্টনা অশোয়বা এ এস আর হিপ ইমপ্লান্টসকা মরী লৈনবা ৱাথোকশিং অদু য়েংশিন্নবা কমিটি অমা শেমখি। ৱাথোক অদু মরিক চুন্না য়েংশিল্লবা তুংদা কমিটি অদুনা গভর্ণমেন্টতা রিপোর্ট থাগৎলকখি অমসুং রিপোর্ট অদু মোদিফিকেসন খরা তৌরগা গভর্ণমেন্টনা য়াখি। য়ারবা রিকোমেন্দেসনশিং অদুগী য়ুমফমদা গভর্ণমেন্টনা কম্পেনসেসনগী চাং লেপ্পনবা স্পোর্টস ইঞ্জ্যুরি সেন্টর, সফদরজং হোস্পিটাল, ন্যু দিল্লিগী দাইরেক্টর ডা. আর কে আর্য্যগী চিয়ারমেনসিপ মখাদা সেন্ট্রেল এক্সপার্ট কমিটি অমা শেমখি।

শোকখ্রবা অনাবশিং অদুগীদমক কম্পেন্সেসনগী শেনফম অদু লেপ্পবগী ফোর্মুলা অমা শেমখ্রে অমসুং মদু মীয়ামদা খঙহন্নবা থমখ্রে।

অনাবশিং অদুনা মখোয়গী খুদোঙচাবা মতুং ইন্না সেন্ট্রেল এক্সপার্ট কমিটি অদুদা নৎত্রগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শেম্বা ষ্টেট লেবেল কমিটিশিংদা চৎতুনা মদু খঙবা য়াগনি।

অনাবশিং অদুগী য়েংলগা গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীখিবা ফোর্মুলা অদুগী মতুং ইন্না কম্পেনসেসন অদু পীনবা অমসুং কমিটিগী রিকমেন্দসনশিং অদু ইন্নবা জোন্সন এন্দ জোন্সন প্রাইভেট লিমিটেটতা খঙহনখি। অদুম ওইনমক কম্পেনি অদুনা দিল্লি হায় কোর্টতা কেম্পেনসেসন পীনবগী এক্সপার্ট কমিটিগী রিপোর্ট অদু শীংনরকখিবনি।

# নুপা–নুপী ফারগা ইলেক্ট্রিক সোক তৌখ্রে, শিজনবা লৌবুক্তা হুন্দোক্লম্লে

**হামিরপুর, ফেব্রুৱরি ০৪(এজেন্সি)ঃ** উত্তর প্রদেশতা মশাগী চহী ৩০গী মখাদা লৈরিবা নুপা–নুপী ফারগা, মখোয়বু ৱাখল মাঙদুনা তাদ্রিবা ফাওবা ইলেক্ট্রিক সোক তৌরগা নুপী অদুগী ইমুং–মনুংগী মীওইশিংনা শিরে খল্লগা লৌবুক অমদা হুমদোক্লম্লে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক, দীপক (২৩) কৌবা নুপা অদু অমসুং মশক মমিং ফোঙদোক্তবী নুপী অদু মহাক্কী ইমুং–মনুং অদুগী হাৎনবা হোৎনরকখিবা অদুদগী হিংহৌখি অমসুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা পুলিসতা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখ্রে হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসার স্লোক কুমারনা হায়খি।

নুপী অমসুং নুপা অনী অদুনা মরী অমা লৈনরকখি অমসুং নুপীদুগী ইমুংগী অনিংবগী মায়োক্তা লুহোংবা পামখি। জনুৱারি ২৯দা মখোয় চেনখি অমসুং মথঙগী নুমিৎতা নুপী অদুগী ইমুংগী মীওইশিংনা চিকাসি এরিয়াগী অত্রা বরাওরি খূঙ্গংদগী মথঙগী নুমিৎতা ফাখি।

ফারবা তুংদা মখোয়বু নুপীদুগী মরিমতাশিং সোধান, ধরমেদ্রা অমসুং লক্ষ্মননা মাহোবাদা পুখি, অদুগা মফম অদুদা মখোয়বু ৱাখন মাঙদুনা ৱান্থদ্রিবা ফাওবা হন্ন–হন্না ইলেক্ট্রিক সোক তৌখি।

হন্ন–হন্না ইলেক্ট্রিক সোক তৌরবা তুংদা মখোয় অনীবু শিরে হায়না থাজরবা তুংদা নুপাশিং অদুনা মখোয়বু লৌবুক অমদা হুন্দোক্তুনা থমলমখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

নুপা অমসুং নুপী অদুগী মখোঙশিংদা ইলেকট্রিক সোক তৌবগী মফমশিং তারমখি। ঐখোয়না কেস অসি থিজিল্লি অমসুং মসিদা চেন্নবা মীওইশিং অদু থুনমক ফারগনি হায়না অতোপ্পা পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-378**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 9 | | 2 | | | 4 | | |
| | | 6 | 9 | 4 | | 1 | | |
| | | 4 | | | 6 | 9 | 2 | |
| | | 9 | | 2 | | | 4 | 6 |
| 3 | 4 | | 1 | | | | 9 | |
| 6 | 2 | | | | 9 | 8 | | |
| | | 1 | 6 | 8 | | | | 4 |
| 5 | | | | 1 | 4 | 6 | | |
| | 6 | | | 9 | | | | 2 |


## GAS TODAY

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 13/12/19
Valid : 04/12/19
Sl. No. : 64358 to 64646
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**T D K Gas Sekmai**
Booking : 16/11/19
Valid : 07/11/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 20/12/19
Valid : 15/12/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 02/01/20
Valid : 30/12/19
Stk : 306

**Jemon Gas Service**
Booking : 19/10/19
Valid : 10/10/19
Sl. No. : 83600
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 29/11/19
Sl. No. : 3030
Valid : 28/11/19
Sl. No. : 2631
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m


সনা–সুদোকু–৩৭৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 8 | 1 | 7 | 2 | 6 | 9 | 3 | 5 |
| 2 | 7 | 5 | 9 | 3 | 8 | 1 | 4 | 6 |
| 6 | 3 | 9 | 1 | 4 | 5 | 2 | 7 | 8 |
| 9 | 5 | 2 | 3 | 7 | 1 | 6 | 8 | 4 |
| 7 | 1 | 8 | 2 | 6 | 4 | 3 | 5 | 9 |
| 3 | 6 | 4 | 5 | 8 | 9 | 7 | 1 | 2 |
| 1 | 9 | 6 | 4 | 5 | 7 | 8 | 2 | 3 |
| 5 | 2 | 7 | 8 | 9 | 3 | 4 | 6 | 1 |
| 8 | 4 | 3 | 6 | 1 | 2 | 5 | 9 | 7 |